# শিংজমৈদা লৈবা বুক্স এন্দ কোফিদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না চৎথগদবা আর্ট একজিবিসন হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): শিংজমৈ থোকচোম লৈকাইদা লৈবা বুক্স এন্দ কোফিগী সেকেন্দ ফ্লোরদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না থা অসিগী ১৮ ফাওবা চৎথগদবা আর্ট একজিবিসন ঙসি হৌদোকখ্রে।

আর্ট একজিবিসন অদু ওরেন্টেল কোলেজগী ইংলিস ডিপার্টমেন্টকী এসোসিয়েট প্রো: ডা: আর কে জয়কুমারনা রিবন কক্তুনা হৌদোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা আর্টিষ্ট বিসন্তা য়ুম্নামনা হায়খি, স্পেস হায়বা অসিনা য়াম্না মরু ওইবা নত্তে, ঐখোয়গী এক্সপ্রেসন অসিনা য়াম্না হেন্না মরু ওই। ঙসি হৌদোক্লিবা আর্ট এগজিবিসন অসিদা আর্টিষ্ট তরুক নোংপোকঙানবা সাইখোম, রাহুল দেব সেরাম, খোমদ্রাম বোনি, হিয়াইরেন থোকচোম, তোনি হৱাইবম অমদি ঐহাক ইশানা য়েকনা লাইশিং উৎলি।

লাইয়েকপা ঐখোয়গী প্লেটফোর্ম অমত্তা লৈতে ঐখোয়না তৌজরিবা থবকশিং অসি সো কাষ্ট তৌরগদি মীয়াম্না খঙবিগনি। ঐখোয়না থবক তৌরি হায়বসি খঙহন্নিংবদগী একজিবিসন অসি পাঙথোকপনি হায়খি

ঐখোয় তরুক অসি চহি ৬ তগী ১০ ফাওবা মপাল লমদা আর্ট তম্লকপা ঙাক্তনি। ঐখোয় অসি কদায়দনো অমদি হৌদবা য়াদে হায়না খল্লগা অপীকপা মফম অসিদগী হৌবনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা এগজিবিসন অসিনা অহানবনি মমাংদা ৱার্কসোপনচিংবা য়াওবদি লৈখ্রে। লাই অমা য়েক্লবা হোৎনবদা নুমিৎ ১৫/২০ রোম চঙই। ঙসি এগজিবিসন অসিদা পুথোক্লিবা লাইশিং অসি মিক্স মেডিয়ম ঙাক্তনি অমসুং মীওই অমমমনা লাই ৩/৩গী চাংদা পুথোক্তুনা পুন্না অয়েকপা লাই ২০ মীয়ামদা উৎলি।

# মীয়ামদা অকায়বা পীগদবা মখলগী ম্যুজিক এলবম পুথোকপীগনু: কে এস এ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): মীতৌ তম্বদা হালেংবা লৈত্রবা লমদম অসিদা লিশাং শিৎনা য়াওশঙ কুম্মৌগী মীংদা ঈশিং হৈনবা, অবের তৈনবা অরেম্বদা মতম মাংহনবা অমদি ফৎত্রবা চৎনবী কয়াদা লুপশিন্দুনা লৈখিবদগী ঙসিগী হৌরক্লিবা নহা কয়াগী মোরেল নোংম- নোংমগী লৈখা তারক্লি অমদি অসিগুম্বা ফৎত্রবা চৎনবী কয়া অসিদা লুপশিনবা হেনমনখিবনা থাদোকপা ঙমদনা লৈরকপা য়াওরক্লি হায়না কংলৈপাক ষ্টুডেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) না ফোঙদোরক্লি।

কে এস এগী সেক্রেটরি জেনরেল সেরাম হেমজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, য়াওশঙগী মরুমদা পীক্লিবা অঙাং কয়ানা য়ুমথোং খুদিং চঙদুনা শেল নিবা খাইবা, লম্বী-লমজাওশিংদা চৎপা অচৎ-অওকশিংদগী শেল নিবা পীয়ু য়াদ্রগা গাড়ি ছো মুনবনচিংবা কয়া চৎথরি। মসিনা মরম ওইদুনা হৌরক্লিবা মীরোল অসিবু অসিগুম্বা ফৎত্রবা চৎনবি কয়া অসিদগী লাপথোকহনদুনা মীপুম খুদিংমক শান্ন- খোৎনবদা মায় ওনশিল্লসি হায়বগী মীৎয়েং অমদি ৱাঙল্লোন্দা চহি খুদিংগী কে এস এনা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল হায়না শান্ন- খোৎনবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

অমরোমদা ক্লব অমসুং ওর্গনাইজেসন কয়ানসু লৈকাই-লৈকাইদা স্পোর্টস পাঙথোক্করি অদুবু লুরিবদি পাঙথোক্লিবা স্পোর্টস অদুগী মতাইদা অবের তৈবা অমদি ঈশিং চাইনবনচিংবা কয়া তৌবসু য়াওই। অসিগুম্বা কয়া অসিনা স্পোর্টস অমদি ফৎত্রবা চৎনবী কয়া অসি পুন্না শাগোন্নদুনা চৎপগুম তৌই হায়রি। অমরোমদা অসিগুম্বা ফৎত্রবা চৎনবী কয়া অসি য়োকখৎপা মানবা মওং কয়া লমদম অসিদা উরি অমদি মসিবু পামজনা য়োকখৎজবা কয়াসু লমদম অসিদা লৈতবসু নত্তে। অসিগুম্বা মীওই কয়াগী মরক্তগী খরনা হৌজিক য়াওশঙ মতম য়ৌরক্লে হায়দুনা মমাংগী মতৌগুম তোঙান তোঙানবা ম্যুজিক এলবম কয়া পুথোরক্লবা হোৎনরক্লগনি অমদি অসিগুম্বা কয়া য়েংলুবা/তারুবা নহা কয়ানা মতৌ তম্নরক্কদৌরিবনি। অসিগুম্বা য়াওশঙগী ফৎত্রবা কয়াবু প্রমোট তৌবা ঈশৈ কয়া পুথোকপনা নহাশিংদা ঈথিল পীদুনা ফৎত্রবা চৎনবি কয়া অসিবু য়োকখৎপগা চপ মান্নহল্লে অমসুং ফজদবা লমচৎকী মরু হুলহনবগা লোয়ননা ক্রাইম কয়া থোকহন্নবা মচাক কয়া ওইহল্লে হায়রি।

অদুবু হন্দক নৌনা পুথোক্কদৌরিবা ম্যুজিক এলবম কয়াদা য়ারিবমখৈ নহাশিংদা ফত্তবা ঈথিল পীগদবা মওংদা তৌবীদনবা অমদি তাবদা হঙ্গোইবা ইমুং-মনুং তামীন্নবা য়াদবা ঈশৈশিং পুথোকপীদনবা মরী লৈনবা খুদিংদা আপীল তৌরক্লি।

হীরম অসিদা আমিক অমদি ফিল্ম ফোরমগী মায়কৈদগীসু অকনবা মীৎয়েং চঙবীনবা আপীল তৌরক্লি।

## ৱাকৎ মীফম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা মণিপুরী সিনে পোলিসি চৎনহল্লু অমদি মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটকী একাদেমী সেসন অথুবা মতমদা হৌহল্লু হায়বা পান্দমদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা মীয়ামগা লোয়ননা ৱাকৎ মীফম অমা থা অসিগী ২০ গী অয়ুক পুং ১০ তাবদা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ডিভলপমেন্ট সোসাইটি মমাংদা ফমগদৌরি।

নুমিৎ অসিদা ফিল্মগা মরী লৈনবা মীওই পুম্নমক ৱাকৎ মীফম অসিদা শরুক য়ানবা ৱাফম ফোঙদোরকপগা লোয়ননা নুমিৎ অসিদা কাঙলুপ অমত্তনা ফিল্ম সুট্টিং অমদি মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং অমত্তা পাঙথোকপীদনবা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চিয়রমেন্না থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## লম্বী শেম্বীয়ু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা বাসিখোং প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরদগী বাসিখোং পাম্থোইবী তাবা লম্বী অসিগী ফিভম অদুক্কী মতিক ফৎত্রে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেম্বীয়ু লোয়ননা লম্বী অসি থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা ডিপার্টমেন্টনা শেম্বীদ্রবদি লম্বী অসি তৌখায়বা অমদি লম্বেল থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না পাম্থোইবী লৈমরোল সমাজ লৈশেম লুপ বাসিখোং খোংহামপাৎকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## টোটেল সট দাউন তৌগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর হিলস এরিয়া ডি পি সি কমপ্লিটেদ রি-রিক্রুইটমেন্ট কেন্দিদেট ওফ পুলিস কন্সটেবল মেল ২০১৬ (কে জয়েন্তা সিংহ) বেটচকী রিজল্ট হায়দোকপীদ্রবদি থা অসিগী ১৬ কী অহিং নোংয়াইদগী থা অসিগী ১৮ গী অহিং নোংয়াই ফাওবদা মণিপুর পুম্বদা টোটেল সট দাউন তৌবগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না ওল মণিপুর হিলস এরিয়া ডি পি সি কমপ্লিটেদ রি-রিক্রুইটমেন্ট কেন্দিদেট ওফ পুলিস কন্সটেবল মেল ২০১৬ (কে জয়েন্তা সিংহ) বেটচকী স্পোক্স পার্সন হাওপু তাওথাংনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## চিলদ্রেন হোমদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী কৈবীসনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিল্দ্রেন হোমদা থা অসিগী ৯ দা য়াইস্কুল জমস্থানদগী বি সজতানা অঙাংশিংগীদমক্তা শেলগী তেংবাং পীরম্মী।

থা অসিগী ১০ দনা ক্বাকৈথেল নিংথেমকোলদগী লোকতোংবম স্বামীকান্তনা অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুংদা টাটা স্বাজ ৱাটর ফিলটর অনি, থা অসিগী ১১ দা আর কে সনাতোম্বী দেবী কোলেজ ওফ ইডুকেসনগী ফার্ষ্ট সেমিষ্টরগী মহৈরোইশিংনা ওজাশিংগা লোয়ননা হোম অসিদা লাক্তুনা অঙাংশিংগা লোয়ননা চাকলেন অমা চামীন্নবগা লোয়ননা টাৱল ২০, চান-থক্লবা পোৎলমশিং, ষ্টেস্নরি আইটেমশিং লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ৭০৫০ তেংবাংবীরম্মী। নুমিৎ অসিমক্তদা সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তগী নিংথৌখোংজম দেমানিনা মহাক্কী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক্তা ঙা অমসুং চান-থক্ল বা পোৎলমশিং তেংবাংবীরম্মী হায়রি।

তেংবাংবীরম্বা খুদিংমকপু য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটি কৈবীসনাপাৎকী প্রসিডেন্টনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## ব্লদ ডোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): এসোসিএসন ওফ ভলন্টরি ব্লদ দোনর মণিপুরগী থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা শান্নরোহশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা থা অসিগী ২৬ তা পোপুলর য়ুথ ক্লব খাঙবোক পার্ট-৩ মখা লৈকাইদা ভলন্টরি ব্লদ ডোনেসন এৱার্নেস কেম্পেন কম ব্লদ ডোনেসন কেম্প অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি ৱাটঅপ গ্রুপ ঈরমদমগী মপাউ, রিমসকী ট্রান্সফ্যুজন মেডিসিন, জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রন্সফ্যুসন য়ুনিট অমসুং খাঙবোক্তা লৈবা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজনগা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

## ক্লাসিকেল ডান্স উৎকনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা ব্রহ্মাচারিময়ুম সঞ্জিতা ইন্দিবিজুয়েল প্রোজেক্ট ডিরেক্টর খুরাই চাইথবী লৈরক্লা শিন্দুনা প্রদক্সন ওফ ক্রিয়েটিভ মণিপুরী ক্লাসিকেল ডান্সকী থৌরম অমা থা অসিগী ১৭ কী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# 'কোংবা পি ঐচ এস সিগী পোৎচৈ তোয়না মাংলিবা অসি মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবিয়ু'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): কোংবা নোংথোম্বম লৈকাই, কোংবা কৈখু রোদতা লৈবা প্রাইমরি হেল্থ সব সেন্টর কোংবগী পোৎলম কয়া হুরানখিববু কোংবা য়ুথ ওর্গনাইজেসন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লিল।

কোংবা য়ুথ ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, প্রাইমরি হেল্থ সব সেন্টর অসিদগী গ্যাস সিলিন্দর অমা, গ্যাস ফ্রেম অমা, চৌক্রি ৪, কুসন ৩, প্লাষ্টিক মেট অনি হৌখিবা অহিংদা হুরানখ্রে। হায়রিবা সব সেন্টর অসিগী পোৎচৈশিং ঙাইহাক লৈতনা হুরানবগী থৌওং অসি য়ানিংদে হায়রি। মমাং চহিদসু পোৎচৈ হুরানখিবগী থৌদোক ২/৩ রক থোকখিবগা লোয়ননা পুলিসতা কমপ্লেন্ট কয়ারক তৌখ্রে। অদুবু মীফা মীপুনদি ঙসি ফাওবা তৌবিদ্রি হায়না নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

কোংবগী সব সেন্টর অসি অকোয়বদা লৈরিবা খুল মাপলগী মীওই ৮৪১২ রোমদা কান্নবা পীরবনি। অসিগুম্লবা হকশেলগী শঙ অসিগী পোৎচৈ ঙাইহাক লৈতনা হুরানবগী থৌদোক থোক্লিবা অমদি পুলিসনা কমপ্লেন্ট তৌরবসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এক্সন লৌখৎপীদবা হায়বসি য়াম্না থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি। অথুবা মতমদা হোম ডিপার্টমেন্টনা হুরান-চিন্থি তৌরিবা মীওইশিং অসি পুথোকপীয়ু।

কে ৱাই ওগা লোয়ননা অনকপা ক্লব অমসুং ওর্গনাইজেসন অমদি মৈরা পাইবীশিংগা লোয়ননা য়ুম-য়ুমদা চঙদুনা মাংখ্রিবা পোৎচৈশিং অসি থিবগী থবক অমসু চৎথনবা শেম শারে।

সব সেন্টর অসিবু কনাগুম্বা মীওই খরনা রিপিয়রিংলা নত্রগা ৱালপেন্টিংলা খঙদবা থৌওং অমা চৎথরল্লিবা অসিসু পুন্না ৱাখল তামীন্নসি হায়রি। পুন্না ৱাখল তামীন্নদ্রবদি মরী লৈনবা ডিপার্টমেন্টতা চে থারগনি অমসুং মরী লৈনবা ডিপার্টমেন্টকী ওথোরিটিনা থবক অসিগী ফন্দ থাদোকপীগনু হায়না ফোঙদোরক্লি।

## লাইরিক ফোঙগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): নোংচুপ হারম খোর্জে লুপ (নোহাখোল) গী ১৭২ শুবা লাইরিক খোংজুনুবীগী শজিকলোই নুরাবী (৩) হায়না মীংথোনবা ডা: আই এস য়ুম্নমনা ইবা লাইরিক অমা থা অসিগী ১৮ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা প্রেস ক্লব ইম্ফালদা ফোঙলগনি হায়রি।

থৌরম অসিদা প্রো: খংজ্রাকপম কুঞ্জো ডিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা চীফ গেষ্ট, ডা: এল সসিকুমার প্রসিডেন্ট নোহাখোলনা প্রসিডেন্ট অমসুং বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম সহিত্য একাদেমী এৱার্দীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইগনি হায়রি।

## নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শিংজমৈ ৱাংমা পেবিয়া পদিৎ লৈকাইদা লৈবা নান্দৈবম জুগ্রিন্দোবু খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দ মণিপুরগী মেম্বর সেক্রেটরি ওইনা খল্লকপদা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিসনেস এসোসিএসন্না নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগীসু প্রসিডেন্ট ওইরিবা অমদি ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসনগীসু ভাইস প্রসিডেন্ট অমা ওইরিবা অসিনা কে ভি আই বিগী মেম্বর সেক্রেটরি ওইনা খল্লকপবু তরাম্না ওক্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## আর্টিষ্ট ডে পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম ডি য়ু) না চহি কয়াগী মমাংদগী পাঙথোক্তুনা লাকপগুম আর্টিষ্ট ডেগী থৌরম থা অসিগী ১৮ গী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা য়ুনিয়ন অসিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

নুমিৎ অসিদা খোমদ্রাম ধনচন্দ্র ফাউন্দেসন্না কৎলকপা খোমদ্রাম ধনচন্দ্র নিংশিং মনা ২০১৮ ক্ষেত্রিময়ুম ইবোহল, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দী। থিয়েটর এক্টর অমসুং ডিরেক্টর এম দি য়ুদা পীরগনি হায়রি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা ১০,০০০ অমসুং সাইটেসন য়াওরি।

থৌরম অদুদা আই পি আরগী ডিরেক্টর মেঘচন্দ্র কোংবম অমসুং এম দি য়ুগী প্রসিডেন্ট অখাম ক্ষিরগোপালনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিডেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি। থৌরম অসিগী অরোইবদা পোক্ত্রিঙৈদা শিজগে হায়বা ড্রামা অমসুং মীয়ামদা লান্থোক্কনি হায়রি।

# 'ডিপার্টমেন্টশিংগী থবকশিং লৈঙাক্না য়েংশিনবীয়ু'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা ডিপার্টমেন্টশিংদা অমোৎপশিং মতম শাংনা লৈরম্বা য়ুনাইটেদ মীতৈ এন্দ পাঙল ওর্গনাইজেসন (য়ু এম পি ও) না থেংনরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ু এম পি ওগী সেক্রেটরি এন রোমেন মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লুপ অসিগী ময়াই লোয়শঙনা ক্বাকৈথেলদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে লোয়ননা লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা ডিপার্টমেন্ট অনিদা খমথেংনা অরানবা থৌওং কয়া মতম শাংনা চৎথরকপনা মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লে হায়রি।

কন্স্যুর্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ ডিপার্টমেন্ট অমসুং এগ্রিকলচর ডিপার্টমেন্ট অনি অসিদা লৈরিবা মরী লৈনবা ওফিসরশিংনা অরানবা খোঙথাং কয়া লেপ্পা লৈতনা চথরে হায়না মরাল শিরক্লি। হায়রিবা ডিপার্টমেন্ট অনি অসিদা মীয়ামগীদমক্তা পাঙথোক্কদবা স্কিম/প্রোজেক্ট কয়াগী খুদোংচাবা পীথোক্তনা ডিপার্টমেন্টকী ওফিসর খরনা নাকলনা নাথৈদুনা মৎতুনা লৈরিবসি পুম্নমক্কী লাইবক থিবনি হায়না মরাল শিরক্লি।

লুপ অসিনা মরী লৈনবা ডিপার্টমেন্টকী ওফিসরশিংদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমদি, ডিপার্টমেন্ট অমদা লৈরিবা ওফিসর অমগী মথৌ অসি করিনো হায়বা খঙদনা করম্না ওফিসর ওইনা লৈরক্লিবনো হায়না হংল্লক্লি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবশিংদা চে কয়া অমদি ফাইল্ড কয়া থবক্তা ওন্থোক্লবা পাউতাক পীরবসু ডিপার্টমেন্টকী ওফিসর খরনা ফাইল্ড নমশিনবগী থৌওং মখা তানা চথরি।

থৌওং অসি মুৎথৎনবা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী মিনিষ্টরশিংনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবিদবনা ডিপার্ট-মেন্টশিং অসিনা মীয়ামগী থবক থৌরম পুম্নমক্তা অপনবা পীদুনা লৈরে হায়রি। হৌজিক চৎথরিবা এসেমব্লি সেসন অসিদা অরানবা তৌবশিং পুথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# খোংজোম ডে এপ্রিল ২৫ দা পাঙথোকপনা অচুম্বা ওইগনি: পান্দম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): কুমজা ১৮৯১ দা মণিপুরদা শোক্লখিবা অরোইবা অংলো মণিপুরি ৱার ঐখোয় পুম্বনা কাওবা লৈতনা নিংশিংলি। লাঞ্জাও অসি পীক্লবা চীংনা কোয়শিনবা এসিয়াগী মনুংদা লৈবা লৈপাক মচা মণিপুরগা মালেমদা খ্বায়দগী মপাঙ্গল কল্লে হায়রিবা বৃটিসকা শোক্লখিবা লানফমনি হায়না পিপলস এক্সন ফোর নেসনেল ডিমোক্রেটিভ মুভমেন্ট (পান্দম) না ফোঙদোরক্লি।

পান্দমগী সেক্রেটরি আই পি আর রোসিকান্তা তখেলচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মতম অদুগী থৌনা ফরবা ইপা-ইপুশিং অদুনা ঈরমদম কংলৈপাক্কী নিংতম্বা ঙাক্লবা থৱায়না পোম্থা ওইদুনা শোক্লখিবা লানফমনি। অমরোমদা মখোয়গী লমখৈগী মালেমদা নুমীৎ তাদে হায়নরিবা লোইলম শন্দোকপা বৃটিসনি। ঙসিগী ইন্দিয়া হায়রিবা লৈবাক অসি পোকত্রিঙৈদা মনিং মখা তম্না পাঞ্জরম্বা ঙসিদি ইন্দিয়ান য়ুনিয়নগী মনুং চনখ্রবা নিংথৌ পানবা লৈবাক কয়া বৃটিসনা লায়না খুদুম চনখিবনি। মালেম শিনবা থুংনা মখোয়গী মখাদা তমখ্রবা মতুংদগী বর্মা লৌশিংল্লবা মতুংদা মণিপুরদা অকনবা মীৎয়েং থমদুনা লান্দারকখি।

কুমজা ১৮৯১ গী এপ্রিলগী অহানবা চরোলদা মণিপুর লৌশিন্নবা মায়কৈ অহুমদগী লান্দানবা লাথং তৌখি। মতমদুগী থিবোমৈ হৌজিক্লা কোহিমা হায়না খঙনরিবা সিলচর অমদি তামুদগী লান্দারকখিবনি। কোহিমা কলম, সিলচর কলম অমদি তমু কলম হায়না খায়দোক্তুনা অকনবা ফোর্সকা লোয়ননা লান্দারকখি। ঙসিগী মীরোলদা লৈরিবা মচা-মশু ওইবা ঐখোয়না থৌনা ফরবা ইপা-ইপুশিং নিংশিংবগা লোয়ননা মখোয়না য়াৎপীরম্বা লিক্লম অদু কায়দনা চৎনবা হোৎনফম থোকই হায়রি।

শুপন্তগী খোঙজোম লান হায়রগা অথৌবা পাউনা ব্রজাবাসি খক্তবু সৈশাবনা মপুং ফারোই। কুমজা ১৮৯১ গী অংলো মণিপুরী হায়রগা খোঙজোম লান খক্তা নত্তে। কোহিলা কলম মায়োক্লখিবা ময়াংখাংগী লানফম। সিলচর কলম থেংগায়নখিবা তোংজৈ মরিলগী লানফম, থৌবাল অথোকপমগী, ককচিংগী লানফমশিং শিংথাবদা লোয়বা নত্তে। লানফমশিং অসিদা থৱায় থাখিবা অথৌবা পুম্নমকপু ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না ইকোক নোন্না ইকাইখুম্নবা উৎলি।

চৈরক অসিদা খোঙজোম ডেবু এপ্রিল ৩০ দনি হায়না হেক্তা লেপশিনবনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংখিবা অসি অমুক্তং নৈন্নিংই। মণিপুর গভর্ণমেন্টনসু এপ্রিল ২৩ দা জেনরেল হোলিডে লাওথোক্তুনা অমুক্তং অখং-অহৈশিংগী এক্সপার্ট কম্মিটি শেম্লগা রিভিয়ু তৌহন্নিংই। খোঙজোমদা শোক্লখিবা অকনবা লানফমদি এপ্রিল ২৫ দনি হায়না পুৱারীগী লমাইদা ময়েক লানা ইদুনা লৈরি হায়রি। নুমিৎ অসিদা মেজর পাউনা ব্রজাবাসিগী অরোইবা য়াহিপ তানখিবসু, তোঙান তোঙানবা হিষ্ট্রিগী স্কোল্লর কয়ানা মণিপুর হিষ্ট্রিদা, বৃটিসকী রেকোর্ট কয়াদা ষ্টেটিষ্টিকেল একাওন্ট এমিনিষ্ট্রেটিভ রিপোর্টনচিংবা কয়াদা ময়েক লানা ইদুনা লৈরি হায়রি।

এপ্রিল ২৫ দা লান লোইরবা মতুং বৃটিস কম্মান্দরশিংগী মনুংদা মেজর মেক্সৱেলনা ইহান হান্না এপ্রিল ২৭ তা মণিপুরগী কোনুং ইম্ফালগী কংলাদা ফিরাল চিংখৎখি। নুমিৎ অসিদনি কংলাদা মনিং তম্না পাইরম্বা পাখংবগী পাফল চিংথরগা বৃটিসকী য়ুনিয়ন জেক্কী ফিরাল চিংখৎখিবা। মসিনা কংলৈচা পুম্বগী থম্মোয় কাইখিবা নুমিৎ অসিবু ঙসি ফাওবা দার্ক ডে হায়না নিংশিংই। মণিপুর গভর্ণমেন্টতা পান্দমগী মায়কৈদগী থমজনিংবা ৱাফমদি, মালেম শিনবা থুংনা অংলো মণিপুরী ৱার১৮৯১ গী হিষ্টোরিকেল একাউন্ট চুম্না থিগৎফম থোকই। এক্সপার্ট কম্মিটি শেমদুনা রেকমেন্দেসন লৌরগা কেবিনেট ডিসিজন লৌগদবনি। মথৌ তারবদি লান্না লাওথোকখিবা অমদি চৎনরিবা এপ্রিল ২৩ বু খোঙজোম ডে হায়না লৌরিবা অসিগী মহুত্তা রিভিয়ু তৌরগা এপ্রিল ২৫ দা ওইনা লাওথোকপিয়ু হায়না পান্দমনা থোকপা চেরোল অমনা তকশিল্লক্লি।

# ডেসামনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): বোসেম, কোসেম অমদি সি বি এস ইনা লৌবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী অইবা চাংয়েং য়াওগদবা লমদম অসিগী মহৈরোইশিংদা ডেসাম্না মায় পাক্তুনা খুন্নাইগী মরু চঙবা য়ুম্বী ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউচেল পীরক্লি।

ডেসামগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা এল লময়ানবা মৈতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মখল অমত্তগী বন্দ, ব্লেকেট, জেনরেল ষ্ট্রাইক অমসুং হরাও-কুম্হৈনচিংবা অয়েৎপা পীবা অমত্তা তৌবীদনবা মরী লৈনবশিংদা আপীল তৌরক্লি।

এম এস পি ডি সি এল অমসুং মরী লৈনবশিংনা এগজাম থাগদদৌরিবা মহৈরোইশিংগী খনবীদুনা এগজাম লোইদ্রিবা ফাওবা মৈ মপুং ফানা ফংহনবীনবা আপীল তৌরক্লি।

হৌজিক হৌজিক নোংঙাদা মখা লৈকাইগী ট্রান্সফোর্মর চাকখিবনা মরম ওইদুনা মৈ ফংদনা লৈরিবা অসিনা লমদম অদোমগী মহৈরোইশিংনা লাইরিক পাবদা অচৌবা খুদোংচাদবা অমা মায়োক্লরি। অদুনা অথুবদা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া অসি কোনহনবিয়ু লোয়ননা মফম খুদিংমক্তা মৈগী অৱাবা মায়োক্লদনবা থবক পায়খৎপিনবসু ফোঙদোরক্লি।

## পাফল চিংখৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): কোংবা মরু লাইফমলেন তুরেল অফৈবীদা কোংবা মরু লাইফমলেন অপূনবা শেমগৎ লুপনা শিন্দুনা ঙসি মালেম ঈং-তপ্পা লৈবাক মরা তান্নবা চীংমী-তম্মী নুংশি লিপুন চেৎশিনহন্নবা, হৌরকফম খঙমীন্নবগী পান্দমদা থৌনিখ্রে। থৌরম অদুদা ডা: রঞ্জন রিটয়রদ প্রো: এম য়ুনা মালেম পাফল চিংখৎখি।

## সেক্যুরিটি মিটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ৬ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৫ দা অন্দ্রো কম্পেনি ওপরেটিং বেজ, সিংজমৈ কম্পেনি ওপরেটি বেজ অমসুং কৈথেলমানবিদা সেক্যুরিটি মিটিংশিং পাঙথোখ্রে।

মীফম অদুদা ভিলেজ হেডমেনশিং, মৈরা পাইবীশিংনা শরুক য়াখি। লোয়ননা এ আরনা লমদম অসিদা পায়খৎলিবাথবক থৌরমশিংগী মীফম অদুদা থাগৎপা ফোঙদোক্লখি হায়রি।

# এস পি ইম্ফাল ইষ্টকী টিমবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): অৱা চীংদা মীতোপ চঙশিল্লক্তুনা খুন্দাশিল্লম্বা অমদি হুরানবা খুৎপুশিং ফাগৎখিবগীদমক য়ুনিয়ন ওফ সোসল অপলিফটমেন্টনা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী এস পি অমসুং মহাক্কী টিমবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিয়ন ওফ সোসল অপলিফটমেন্টকী সেক্রেটরি কে ঐচ রোনেক্স খাবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মতম খরগী মমাংদগী মীয়াম্না চীংনদুনা লাক্লবা ইম্ফাল ময়োলদগী ইরাপ পাপ্তনা লৈরিবা অৱা চীং অসিদা লোগী ৱাংমদা অকিবা ফংনা মীতোপ চঙশিল্লক্তুনা অমসুং পাট্রা য়াওদনা লম খোপচিন্দুনা লৈশিল্লম্বা বঙ্গাদেসকী ম্যুলিম ওইরমগনি হায়না চিংনবা মীতোপশিং অমদি হুরানবগী খুৎপু শেমগৎতুনা লাইনা শেল তান্দুনা লৈরম্বা মীওইশিং ফাদুনা পুথোরকপা ঙম্বগীদমক ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী অপুনবা লুপ অমা ওইরিবা য়ুনিয়ন ওফ সোসল অপলিফটমেন্ট হেড ওফিস খুরাই লমলোংনা ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি অমদি মহাক্কী টিমবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# সনামহী কিয়োংগী তেংবাং পীনরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): নোংমাইচিংদা শাগৎলিবা লাইয়িংথৌ সনামহী কিয়োংগী তেংবাং লেপ্তুনা পীনরক্লি হায়না লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপকী প্রসিডেন্ট ওইনাম মেঞ্জোর খুমননা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাইদা লৈবা ৱাইরোকপম রাজেন্দ্রনা লৈখিদ্রবা মপাবুং ৱাইরোকপম বুবোল অমদি লৈখিদ্রবী অপোকপী ৱাইরোকপম সখিতোম্বীগী মীংদা লুপা ১১০০, এস টি টেন্দর মরুপ সরিতা এন্দ জোন খুরাই কোন্সম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১০০০, খুরাই কোন্সম লৈকাইদা লৈবা কোন্সম বিরেন্না লুপা ১০০০, নমৈরাকপম লৈকাইদা লৈবা থিঙুজম শ্যামকিশ্বরনা ১০০০, থোংজু নামৈরাকপম লৈকাইদা লৈবা ওক্রম ইবোমচা মৈতৈনা লুপা ১০০০, ককৱা মখা নাওরেম লৈকাইদা লৈবা অসেম চন্দ্রমণিনা লুপা ১০০০, মফম অসিমক্তদা লৈবা অসেম রোসনলাল মৈতৈনা লুপা ১০০০, ককৱা সেলুংবম লৈকাইদা লৈবা নিংঙোম্বম তোম্বনা লুপা ১০০০, কোইরৌ থোংজু পার্ট টু দা লৈবা নোংমৈকাপ্পম চলাম্বনা লুপা ১০০০, মফম অসিমক্তদা লৈবা ইরোম হেলেন্না লুপা ১০০০, মফম অসিমক্তদা লৈবা নোংমৈকাপ্পম সরতচন্দ্রনা লুপা ১০০০, মফম অসিমক্তদা লৈবা জসোবন্তা চিরোম্না লুপা ১১১১, মফম অসিমক্তদা লৈবা নেপ্রম মিকোন্না লুপা ১০০০, থোংজু এ সিগী এম এল এ মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা লুপা ৫০০০, থোংজু পার্ট টুদা লৈবা নামৈরাকপম চিঙ্খেনা লুপা ২০০০, কিয়ামগৈদগী নেপ্রম রতনকুমারনা লুপা ১০০০, ৱাঙ্খৈ মৈহৌবম লম্পাক্তা লৈবা ফাঞ্জৌবম লানঙম্বা মৈতৈনা লুপা ৫০০০ অমসুং থোংজু পার্ট টু বোরোই মখোংদা লৈবা লুপা ১০০০ অমা তেংবাংবীরকখি হায়রি।

# এস কুলা ৱুমেন্স কোলেজতা সেমিনার হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): এস কুলা ৱুমেন্স কোলেজ নম্বোলদা ক্বালিটি ইনহেন্সমেন্ট এন্দ কন্টেমপররি ট্রেন ওফ টিচিং-লর্নিং প্রোসেস ইন হায়র ইডুকেসন হায়বা থিমদা নেসনেল সেমিনার অমা ঙসি হৌদোকখ্রে।

য়ু জি সিনা স্পোন্সর তৌদুনা নুমিৎ নিনি চুপ্না চৎথগদবা নেসনেল সেমিনার অদু হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ডা: শরুংবম বিরেন্দ্র ডিরেক্টর নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি মণিপুর, প্রো: নিলরতন রোই ডিপার্টমেন্ট ওফ ইডুকেসন তেসপুর য়ুনিভর্সিটি অসাম, নম্বোল এল শানোই কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা: লাবা প্রসাদ ভাসকোতা, এস কুলা ৱুমেন্স কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা: এন জয়কুমার, এস কুলা ৱুমেন্স কোলেজকী গভর্ণিং বোদিগী প্রসিডেন্ট এন ইবোমচানা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনরশিং অমদি প্রসিডেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

# মোরেদা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): থা খুদিংগী পাঙথোকপা পুলিস কম্যুনিটি লাইজন গ্রুপ মিটিং কম মীয়ামগী নুমিৎ মোরে পুলিসনা শিন্দুনা ঙরাং তমিল সঙ্গমগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা তেংনৌপল ডিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডা: এস ইবোমচা মোরেগী সি ডি ও ডি এস পি থোমাস, মোরে পুলিসগী এস ডি পি এস সন্দিপ গোপালদাস, ও সি ঐচ চাওবা মোরে এগী এ সি টু এ ডি সিগী থৌ পুরিবা কে কে পৌ অমদি অতৈ অতোপ্পা ওফিসর কয়া অমসুং মোরেদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লুপশিং, মীতৈ কাউন্সিল মোরে, মণিপুরী মুস্লিম কাউন্সিল মোরে, হিলস ট্রাইভেল কাউন্সিল মোরে, গোর্খা সমাজ সমিটি মোরে, ওল কম্মিটি ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন মোরে, তমিল সঙ্গম মোরে খা নোংপোক অপুনবা নুপী লুপ মোরে নুপী খুন্নাই চাওখৎ লমচিং লুপ মোরে, মণিপুরী ৱুমেন ডিভলপমেন্ট সোসাইটি মোরে, মুস্লিম ডিভলপমেন্ট এসোসিএসন মোরে, কুকি ৱুমেন য়ুনিয়ন এন্দ হ্যুমেন রাইট মোরে অমসুং তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি

থৌরম অদুদা কম্যুনিটি লিদরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লখিবদা মোরেদা লৈরিবা মোরে হোস্পিটালবু মতমগা চুনবা মওংদা লৈহনবা পাম্মী অমসুং হৌজিক হোস্পিটাল অসিদা ফঙ্কসন তৌদুনা লৈরিবা খুৎশু-খুৎলাইশিং অসিবু মরী লৈনবশিংনা পূক্লিং চিংশিন্দুনা ফঙ্কসন তৌহনবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লখি।

মোরেদা চহি ৩০ গী মথক্তগী তিংলক্লিবা ৱাটর সপ্লাইগী পাইপ লাইন মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎপীবা, কলেন থা নশিল্লক্লবনিনা মোরেদা লৈরিবা ফায়র সপ্লাই সার্ভিস অসি অথু-অকাইশিংদা ঈশিং রিজার্ভ তৌদুনা থম্বীয়ু, দ্যুতি মপুং ফানা তৌহনবিয়ু, মোরে টাউন মনুংদা ট্রাফিক পুলিস তোঙান্না লৈহনবা, নুমীদাং মোরে টাউন মনুংদা খৎনা-চৈনবা থোক্তনবা পুলিস কম্মান্দোশিং দ্যুটি তৌহনবনচিংবা কয়া য়াওরি।

হৌজিক মোরেদা ঈং-তপ্পা লৈনবা হায়না মোরে পুলিসনা মীয়ামগী নুমীৎ পাঙথোক্লিবা অসিদা অতৈ ডিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিং য়াওনা পাঙথোকপা তারবদি হেন্না খুমাং চাউশিনবা ঙমগনি হায়দুনা মোৎ ফোঙদোক্লখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এস পি ডা: এস ইবোমচানা হায়খি, মোরেগী মীয়াম্না পুলিসনা তৌহন্নিংবা থবক থৌরাংশিং হায়বিরকউ। মদু থবক্তা ওইনা ওন্থোক্লবা শেম শাদুনা লৈরি। ঐখোয়না লৈরিবসি মীয়ামগীনি। মীয়ামনা কো-ওপরেসন পীবিয়ু। মোরে টাউন অসিদা ট্রাফিক জাম ওইবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা অসি কোকহননবা হায়দুনা মোরে পুলিসতগী ট্রাফিক্কী টিম অমা শেম্লে। মোরে টাউনদা লাক্লিবা মার্চ থাদগী মপুং ফানা দ্যুটি তৌরগনি।

কম্মান্দোগী ডি এস পি থোমাসনা হায়খিবদা, মোরেগী মীয়াম্না কম্মান্দোদা কো-ওপরেসন পীবিয়ু। ঐখোয়নবা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রি।

অমরোমদা ম্যান্মারগী নম্ফালোং মার্কেট থা অসিগী ৭ কী নুমিদাং পুং ৮ রোম তাবা মতমদা মৈ চাকখিবদগী নম্ফালোং মার্কেট থোং লোন্দুনা লৈখিনবা নোংমগী শুজা- নোমজরগা হিংজবা মীওই কয়ানা পোৎ থাংদোক-থাংজিন তৌদুনা হিংক্লিবা মীওই কয়া শুফম-নোমফম লৈতবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরিবা অসিদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা থা অসিগী ১২ দা চেং বেগ ১০ য়েন্থোকখ্রে অমসুং মদুগী মতুংদা তেংনৌপল ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং কম্মান্দো ও সি পি তরুনকুমারনা চেং বেগ ১০ য়ুমগী মীওই অমদা কেজি ৫/৫ গী চাংদা য়েন্থোকখ্রে হায়না এস পি ডা: এস ইবোমচানা ফোঙদোকখি।

# 'এন আর ই জি এসকী শেল পীথোক্ত্রবদি নেসনেল হায়ৱে ১০২ বন্দ তৌগনি'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ (ঐচ এন এস): তেংনৌপল ডিষ্ট্রিক্টকী এন আর এ জি এস ফার্ষ্ট ফেস কুমজা ২০১৬-১৭ গী সেল থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা পীথোক্ত্রগদি মথং নুমিৎ থা অসিগী ২১ অহিং নোংয়াইদগী নেসনেল হায়ৱে ১০২ মোরে লম্বী য়াওনা পুং ২৪ বন্দ তৌগনি হায়রি।

হিলস ট্রাইভেল কাউন্সিল চান্দেল/তেংনৌপল ডিষ্ট্রিক্টকী মোরেদা লৈবা ওফিসতা ঙরাং নুংথিল চান্দেল অমসুং তেংনৌপল ডিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা ভিলেজ চীফশিংগী ওইবা মিটিং অমা পাঙথোকখি। মীটিং অদুদা টি এস রংৱার প্রসিডেন্ট নাগা চীফ এসোসিএসন চান্দেল এল এস সৈখোজাং মাতে সেক্রেটরি কুকি চীফ এসোসিএসন তেংনৌপল ডিষ্ট্রিক্ট, ভিক্টর লিমথাং ফাইনান্স সেক্রেটরি হিলস ট্রাইভেল কাউন্সিল মোরে, জামগোলেন মাতে কুকি চীফ এসোসিএসন মোরে ব্লোকনচিংবা নাগা চীফ এসোসিএসন মচি ব্লোকনচিংবনা শরুক য়াখি।

চান্দেল ডিষ্ট্রিক্ট অমসুং তেংনৌপল ডিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা ভিলেজ চীফশিংগী ওইবা মিটিং অদুদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা এন আর ই জি এসকী অহানবা ফেজকী ওইনা ফংদনা লৈরিবা শেনফম হৌজিক ফাওবা ফংহনদ্রিবা অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবিয়ু। গভর্ণমেন্টনা কাইথোকখিবা শেনফম হৌজিক ফাওবা নমশিন্দুনা ডিপার্টমেন্টতা থম্বা ওইরবদি এক্সন লৌবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।